## ‘ট্রক ভিক্তিম অয়াম্বা ভিয়েটনামিজ মাল্লি’

য়ে থানহ, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
লন্দন সিটিগী মনাক্তা ট্রক অমগী মনিংদা শিরম্বা থেংনখিবা মীওই ৩৯ অদু অয়াম্বনা ভিয়েটনামদগী ওইবা য়াই হায়না লৌ উবা কম্ম্যুনিটি অমগী লিদর অমনা থাংজ নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে। ভিক্তিম কয়া কম্ম্যুনিটি অসিগী মীওইশিংনি হায়না মহাক্না ক্লেম তৌখিবনি। মমাংদা পুলিসনা অশিবশিং অদু চাইনিজ মচাশিং ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবদা, বৈজিংনা ভিক্তিমশিং অদুগী নেসনলিটিশিং কনফার্ম তৌবা লৈত্রি হায়খিবনি।

## মেদিকশিংসু প্রোটেষ্ট য়াওরগনি

হোং কোং, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
থা ৪ হেন্না হোং কোং গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা চথুরকখিবা প্রোটেষ্টশিংদা পুলিসনা কা হেনবা থৌওং কয়া চথুখিবদা খোইরাং খোইশাওনরবা হোং কোংগী মেদিকেল ৱার্করশিংনা থাংজ নুমিত্তা সিটি অদুগী মরু ওইবা মফম অমদা রেলি অমা পাঙথোক্লবা থৌরাং তৌখ্রে হায়রি।

## চাইনানা অফঘান মশেল ৱারী শানবগী মতম য়েথোকখ্রে



কাবুল, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
বৈজিংদা টালিবান অমসুং অফঘানিষ্টানগী সিভিল সোসাইটি মেম্বরশিংগী মরক্তা ওক্তোবর ২৮-২৯দা অফঘান মশেলগী ওইবা ৱারী শান্ননবা লেপখিবদু চাইনানা য়েথোরক্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা অফঘান মিলিটেন্ট গ্রুপ অসিনা ফোঙদোকখ্রে।

য়ু এসনা খঙহৌদনা হন্দোকখিবদগী লেপ্পক্লিবা লালহৌবশিংগা ৱারী শানবা মখা চথবা য়ানবা বৈজিংনা থৌবু ওইদুনা টালিবান অমসুং অফঘান সিভিল সোসাইটিগী মেম্বরশিংগী মরক্তা পিছ প্রোসেস মখা চথহন্নবা হোৎনরকখিবনি।

চাইনিজ গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী ঐখোয়দা ৱারী রাউন্দ অমা শানবা হৌনবা নুমিৎ খরনিগী মতম পীনবা হায়রক্লে হায়না থাংজ নুমিত্তা টালিবানগী স্পোক্সমেন জাবিহুল্লাহ মুজাহিদনা ইফে ন্যুজদা ফোঙদোকখি। মহাক্না মখা তারদুনা মীফম অদুগী অনৌবা মতম খঙহল্লকপা লৈত্রি অমসুং অকুপ্পা মরোলশিং ঙাইরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা কটরদা লৈরিবা টালিবানগী পোলিটিকেল ওফিসকী মকোক মুলাহ বরাদরনা লুচিংবা মেম্বর ১৫ গী টালিবান দেলিগেসন হৌজিক চাইনাদা পাঙথোক্কদৌরিবা কনফরেন্স অদুগীদমক খোঙশানবসু লৈত্রি হায়না মুজাহিদনা মখা তাখি।

থা অমগী মমাংদা চাইনাদা মেম্বর ৯গী দেলিগেসন অমা থাখিবা টালিবান্না হায়রিবদি পিছ নিগোসিএসন অদু অফঘানিষ্টানগী চহী ১৮ শুরক্লবা লান লোইশিনবা য়ানবা লমদম অসিদা মরা তপ্পা ফিভম লিংনবগী রোদ মেপ অমা পুথোক্লবগী পান্দমদা মমাংদা মোস্কো অমসুং দোহাদা পাঙথোকখিবা নিগোসিএসনশিংগী ফ্রেমৱার্ক মনুংদা পাঙথোক্কদবনি।

বৈজিংদা পাঙথোক্কদৌরিবা মীফম অদুগী মতাংদা টালিবানগী মায়কৈদগী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা লাউথোকখিবদা অফঘান গভর্নমেন্টনা খোঙথাং অদুবু তরাম্না ওক্লদুনা মদুনা পিছ প্রোসেস য়াঙশিনহনবদা মতেং পাংলগনি হায়বগী থাজবসু ফোঙদোকখি। অমরোমদা, অফঘান গভর্নমেন্টনা ৱারী শান্নবদুদা শরুক য়ানবা হৌজিকসু চাইনিজ ওথোরিটিশিংগা খন্ন-নৈনরি হায়নসু ফোঙদোকখি। হৌখিবা থা খরা অসিদা মীচমশিংনা মীশি মীনা থোকহনবগী থৌদোকশিং হেনগৎলকখবনি।

## নোরদর্ন সিরিয়াদা কর্দশিংগা টর্কিস ফোর্সেসকা অমুক হন্না খুৎ থোক্নরক্লে



দমাস্কস, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
রসিয়ানা শৌগৎপা সিরিয়ন গভর্নমেন্টকী ট্রুপশিং সিরিয়াগী অৱাং থংবা লমদমদা চঙশিনখিবগা লোয়ননা লমদম অদুদা কর্দশিং অমসুং টর্কিস ফোর্সশিংগী মরক্তা ইনৌ নৌনা খুৎ থোক্লবা হৌরক্লে হায়না মিদিয়া রিপোর্টশিংনা হায়রি।

চয়োল অসিদা অঙ্কারা অমসুং মোস্কোগী মরক্তা পেক্ট অমা য়ানখিবদগী টর্কিস ফোর্সশিংনা কর্দশিংগী মায়োক্তা চথুরিবা মিলিটরি কেম্পেয়ন লেপখিবনি। টর্কিগী মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পিঙৈ মনুংদা অঙ্কারানা সেফ জোন অমা লিংগনি হায়রিবা মাইল ২০গী ওইবা বোর্দরগী বেল্টতগী হন্দোক্লবা কর্দিস মিলিস্যা কাঙবুদা পুং ১৫০গী মতম পীখিবনি।

কর্দশিংনা হন্দোক্লবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তগী টর্কিস ফোর্সশিংনা মিলিটরি ওপরেসন লেপ্পা হৌখিবা মতুং শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক্তা টর্কি অমসুং মসিগী লোকেল মীচংশিংনা বোর্দরগী ভিলেজ কয়াদা আর্টিলরি সেল কয়া কাপশিনবা অমসুং গ্রাউন্দ এটেক চথবা হৌরকখিবনি।

সীজফায়র চৎনবা হৌখিবা মতুংদা টর্কিনা চথরখিবা এসোল্ট অদুনা মরম ওইদুনা মীচম লিশিং কয়া ময়ুম মকৈ থাদোক্তুনা লাঞ্জেন্নখ্রে হায়না কর্দশিংনা লুচিংবা সিরিয়ন দিমোক্রেটিক ফোর্সেসনা ফোঙদোকখি।

## সান্তিয়াগোদা মীওই মিলয়ন অমনা প্রোটেষ্ট খোঙচৎ চৎখ্রে



সান্তিয়াগো, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
চিলি গভর্নমেন্টনা পব্লিক এক্সপেন্দিচর হন্থহন্নবা লৌখৎলকখিবা থৌরাংশিংনা অৱাবা কয়া মায়োক্লহনবদগী পেন্দ্রবা লৈবাক অসিগী মীয়াম্না চয়োল অমগী মমাংদা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ইরাং হৌখিবা মতুং হৌজিক ফাওবগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা রেলিনি হায়না লৌনবা খোঙথাং অমদা চিলিয়ন মিলিয়ন অমা হেনবনা ইরাই নুমিত্তা কেপিটেল সান্তিয়াগোদা পুন্দুনা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা নুমিদাংগী মতম ফাওবা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে হায়রি।

ইরাই নুমিৎকী প্রোটেষ্ট অদু কুমজা ১৯৯০ দা লৈবাক অসিগী দিক্টেটর ওগষ্টো পিনোচেট তুখিবা মতুংদা খ্বাইদগী চাওবনি হায়না লৌনরি। হৌখিবা চয়োল অসিদা পাঙথোকখিবা দেমোনষ্ট্রেসনশিংদা মীওই ১৯ শিখ্রবা মতুংদা ইরাই নুমিত্তা কেপিটেলগী প্লাজা ইতালিয়াদা মীওই লিশিং লিশিং পুন্দুনা মফমদুগী পাথোরকখিবগা লোয়ননা অহেনবা মীওই লিশিং কয়া থংনবা লন্বীশিংদা হায়দোক্লদুনা অমুক পুনখি হায়রি। নুমিদাংৱাইরম পুং ৫দগী হৌনবা লেপখিবা দেমোনষ্ট্রেসন অদুদা শরুক য়াগদবা মীওইশিং লেপ্পা লৈতনা মফম কয়াদগী লাক্লখিবগা লোয়ননা পুং অমগী মনুংদা দেমোনষ্ট্রেটরশিংগী মশিং মিলিয়ন অমদগী হেনখি হায়না ম্যুনিসিপাল গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখি।

রেলি অদুদা শরুক য়ারিবা প্রোটেষ্টর খরনা ‘চিলি মীৎকপ থোক্লো’ হায়না থাবা অচৌবা বেনর অমা ৱাংনা থাংগৎখি। ৱাহৈশিং অসি লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট সিবেষ্টিয়ন পিনেরাবু মফম থাদোক্লবা দিমান্দ তৌবগী মুভমেন্টতা অন-ওফিসল মোটো অমা ওইরক্লবনি হায়না লৌনরি। পাক শন্না হৌরকখিবা ইরাং অদু থা অসিগী হৌখিবা ১৮ দা মহৈরোয়শিংনা সবৱে ফেয়র হেনগৎপগী মায়োক্তা সান্তিয়াগোদা প্রোটেষ্ট চথবগা লোয়ননা হৌখিবনি। হৌজিক ফাওবদা ওথোরিটিশিংনা প্রোটেষ্টর ২৮৪০ ফাগৎখ্রে হায়রি।

## ইরাক্কী প্রোটেষ্টরশিং সেন্ট্রেল বাঘদাদতা অমুকসু পুনশিনখ্রে

বাঘদাদ, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
ইরাক্কী পেকিটেল সিটি বাঘদাদতা ইরাই নুমিত্তা পুলিসনা প্রোটেষ্টরশিং লাকশিন্নবা হোৎনবদা লাইফ রাওন্দশিং, টিয়ার গ্যাস সেলশিং অমদি ষ্টন গ্রেনেদশিং কাপ্পদা য়ামদ্রবদা মীওই ৪০ শিখ্রবা মতুং থাংজ নুমিত্তসু ইরাকি ফিরালশিং পায়বা দেমোনষ্ট্রেটর চা কয়ানা সেন্টেল বাঘদাদতা অমুক হন্না পুন্দুনা প্রাইম মিনিষ্টর অবদেন অব্দুল মহদিবু য়ানিংদবগী খোল্লাও কয়া লাউখ্রে হায়রি।

প্রোটেষ্টর ২০০ রোম কেপিটেল সেন্ট্রেল তহরি স্কৱারদা অহিং য়ারেকখি অমসুং মখোয়না অয়ুক্তা মফম অদু শীৎ শেংক্লখি। প্রোটেষ্টর কয়ানা কোরান ভর্সশিং পাদুনা লৈখিদবশিংবু তেংথাখি। ইরাই নুমিত্তা পাঙথোকখিবা প্রোটেষ্টশিং অদুদা মীওই ৮ শিখি। মখোয় অয়াম্বা সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীয়ামগী ইরাং কন্ট্রোল তৌনবা টিয়ার গ্যাস সেলশিং কাপ্পদা পান্দুনা শিখিবনি।

বাঘদাদ সিটিদা নত্তনা অতৈ মফম কয়াদসু গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা দোমোনষ্ট্রেসন পাঙথোক্ল খিবগা লোয়ননা ইরাই নুমিত্তা পুন্না প্রোটেষ্টর ৪০ শিখি। চহী কয়া লান শোক্লদুনা শেল-থুমগী কাং খোং চাইবা ফিভম মায়োক্লরখিবা মতুংদা



দেমোনষ্টেরশিংনা পোলিটিকেল এলিটশিংদা ওনশিন্দুনা মখোয়গী পুন্সি মহিং ফগৎনবগী খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমদ্রে হায়না মরাল শীরিবনি। প্রোটেষ্টরশিংগী দিমান্দশিং খন্ননবগীদমক থাংজ নুমিত্তা পার্লিয়ামেন্টকী মীফম পাঙথোক্লবা লেপখিবনি।

গভর্নমেন্টনা চহী ১৫ চুপ্পা ঐখোয়দগী হুদুনা লৈরে। সদাম হুশেন লৈত্রে অদুবু হৌজিক অতোপ্পা সদাম হুশেন ১০০০ গ্রিন জোনদা লোত্তুনা লৈরি হায়না নহা ওইরিবা মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা পোট্রেষ্টর অমনা ইরাই নুমিত্তা হায়খি।

## জপান্দা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা মরম ওইদুনা মীওই ১০ শিখ্রে



টোকিয়ো, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
জপানগী নোংপোক থংবা শরুক্তা মতিক ময়াই লৈরবা টাইফুল অমা শীৎচিল্লকখিবা চয়োল অনীগী মতুং লমদম অদুদা নোং কন্না চুদুনা ঈশিং ঈচাও অমদি মদস্লাইদশিং থোকপদা শিখিবা মী মশিং থাংজ নুমিৎ ফাওবদা ১০ শুরে হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর এন ঐচ কেকী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।

ইরাই নুমিত্তা নোংপোক অমসুং অৱাং নোংপোক থংবা জপানগী ঈচাও থোক্লবা চিবা অমসুং ফুকুসিমা প্রিফেক্টচরশিংগী মফম খরদা শাথিরবা লেন্দস্লাইদশিং থোকখি। মফম খরদা শুপ্নগী পুং ১২গী মনুংদা থা অমরোম চুপ্পা চুগদবা নোংগী চাং চুখি।

হৌখিবা থাদগী টাইফুলন অনীগী চৈথেং নংখ্রবা নোরদর্ন কোরিদোরগী অয়াম্বা শরুক্তা ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা শাফগদবা মফমশিংদা হোংদোক্লবা ওর্দর তৌবগা লোয়ননা এদভাইজরি কয়াসু থোকখি। হৌখিবা পুং ১২ অসিদা চিবাগী উসিকু সিটিদা নোং ইঞ্চি ১১ ফাওবা চুখি হায়রি।

নোংলৈ নুংশিৎ অদু থাংজ নুমিৎকী অয়ুক অঙনবদা জপানদগী হায়দোকখ্রবসু মীওই চা কয়া গভর্নমেন্টনা শেম্বা টেম্পররি সেল্টরশিংদা লৈনরি অমসুং রেল অমসুং বস সভিসশিংসু লেপ্পি। লন্বী খরা থিংখিবগা লোয়ননা চিবাগী কমোগৱা সিটিদা লৈবা ইমুং ৪,৭০০ লোম হৌজিকসু ঈশিং ফংদনা লৈরি হায়না পব্লিক ব্রোদকাষ্টর অসিনা ফোঙদোকখি।

স্মাটফোন স্ক্রিন শাবা জপান দিসপ্লে ইঙ্কনা ফোঙদোকখিবদা, মৈ ফংদবনা মরম ওইদুনা থাংজ নুমিত্তা কম্পনি অসিগী দিবাদা লৈবা মোবারা ফেক্টরিগী প্রদক্সনগী থবক পুম্নমক লেপখি।

প্রাইম মিনিষ্টর সীঞ্জো অবেনা থাংজ নুমিত্তা দিজাষ্টর টাস্ক ফোর্সকী মীফম অমা পাঙথোকখি। ওথোরিটিশিংনা মীয়ামদা টাইফুন হগিবিজনা অমাঙ-অতা থোকহনখ্রবা মফমশিংদা মখা তানা লেনস্লাইদশিং অমসুং ঈচাওশিং থোরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌখি।

## কাশ্মিরগী মতাংদা পাউখুম পীনবা ইন্দিয়ন এনভোইদা তকশিনখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
য়ু এস কোংগ্রেসনা ইন্দিয়ন এনভোই হর্স ভর্ধন শ্রিংলাদা কাশ্মিরদা হৌজিক লৈরিবা ফিভম মতাংদা অপদেট তৌবা লৈরবসু মীওই কয়ানা য়াম্না তোঙানবা ৱাফম অমা ফোঙদোক্লরি হায়না খঙহনবগা লোয়ননা মঙোন্দা পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা মীওই কয়া য়াম্না ফাজিল্লবগে, রবর বুলেট শীজিন্নবগী রিপোর্টশিং অমদি জর্নেলিষ্টশিং অমসুং য়ু এস কোংগ্রেসগী মেম্বরশিং লমদম অদুদা অয়েৎ অপন পীদনা চঙহনগদ্রা হায়বা য়াওনা ৱাফম কয়াগী মতাংদা পাউখুম পীনবা তকশিনখ্রে হায়রি।

কোংগ্রেসগী লেটর অমনা হায়, শ্রিংলানা থা অসিগী ১৬ তা হাউস ফোরেন এফেয়রস কম্মিটিগী মেম্বরশিংদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হৌজিক লৈরিবা ফিভমগী মতাংদা ব্রিফিং পীখ্রবা মতুংদা কম্মিটি অসিনা মতমদুদা হংখিবা ৱাহং খরগা মরী লৈননা তাদাংবা অহেনবা ইনফোর্মেসন পীরক্লবা হায়জখ্রে। মীফম অদুদা খন্নখিবগুম ঐখোয়গী কন্সটিট্যুন্ট কয়ানা নহাক্না ঐখোয়দা খঙহনখিবগা



য়াম্না খেন্নবা লমদম অদুগী ফিভম হৌজিক ঐখোয়দা ফোঙদোরক্লি হায়না লেটর অদুদা পনখি।

মখোয়না ইন্দিয়ন এনভোই অদুদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা লেন্দলাইন সভিস চাদা ১০০ মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিল্লব্রা অমসুং মোবাইল ফোন সভিসশিংনা করম্বা মতমদা হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিনহনগদগে হায়বসু হংখি।

মখা তারদুনা কোংগ্রেসনা করম্বা মতমদগী ইন্টরনেট মপুং ফানা শীজিন্নবা য়াগদগে হায়না হংবগা লোয়ননা পব্লিক সেফটি এক্ট নৎত্রগা অতৈ লিগেল প্রোভিজনশিংগী মখাদা হৌখিবা ওগষ্ট ৫দগী মীওই কয়া ফাজিন্দুনা থল্লবগে অমদি ফারিবশিং অদুগী মনুংদা চহী নৌরিবা মীওই কয়া য়াওবগে হায়নসু হংখি।

ৱাফমশিং অসিগা লোয়ননা য়ু এস কোংগ্রেসনা ইন্দিয়ন এনভোই অসিদা পব্লিক সেফটি এক্টকী মখাদা ফাজিন্দুনা থল্লিবা মীওইগী ষ্টেন্দার্দ জুদিসল প্রাসিজর করিনো হায়নসু হংখি।

GOVERNMENT OF MANIPUR
DIRECTORATE OF AGRICULTURE: MANIPUR

NOTIFICATION
Imphal, dated the 26th October, 2019

**No.AGM-1/526/SMAM/ 2018-19:** In continuation of this directorate **Notification** of even No. dated 21-10-2019, it is hereby informed to all concerned that the last date for submission of application for availing subsidy for different Agricultural implements & tools under Sub Mission on Agricultural Mechanisation (SMAM) has been extended to 05-11-2019. Duly filled in application form complete in all respects be submitted to the Office of District Agriculture Officer Concerned.

Sd/- Laltanpuii Vanchhong
Director/ Agriculture, Manipur.

HL-P/5083/27

## ‘য়ু এসকা ট্রেদ দিলগী ৱারী শানবদা প্রোগ্রেস লৈরে’



বৈজিং, ওক্তোবর ২৬ (এজেন্সি) :
ট্রেদ এগ্রীমেন্ট পুরক্লবা য়ু এসকা চথুরখিবা নিগোসিএসনশিং প্রোগ্রেস লৈরে হায়না থাংজ নুমিত্তা চাইনিজ গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা এগ্রীমেন্ট অদুগী টেক্সকী শরুক অমগা মরী লৈনবা টেক্নিকেল কন্সল্টেসন্স মপুং ফানা লোইশিল্লক্লে হায়খ্রে। নিগোসিএসন অদুদা চাইনাগী মকোক থোংবা মীহুৎ ওইরিবা ভাইস প্রিমিয়র লিয়ু হেনা ইরাই নুমিৎকী অহিংদা টেলিফোনদা য়ু এস ট্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভ রোবার্ট লাইটিজর অমসুং ট্রেজরি সেক্রেটরি ষ্টেভেন মন্যুচিনগা ৱারী শানখি। ফোনদা ৱারী শানবা অদুদা নাকল অনীনা অমনা অমগী মরু ওইবা ৱাফমশিং মতিক চানা য়েংশিন্নরে হায়বসি য়ানখিবগা লোয়ননা এগ্রীমেন্টকী টেক্সকী শরুক খরগী মতাংদা টেক্নিকেল কন্সল্টেসন্সকী থবক লোইশিনবগী ফিভমদা লৈরে হায়বসিসু কনফার্ম তৌনখি হায়রি।

নাকল অনীনা চাইনানা শাবা থোংদোক্লবা পোল্ট্রি মিট য়ু এসনা ইমপোর্ট তৌবা, য়ু এসকী পোল্ট্রি এক্সপোর্টতা চাইনানা থল্লম্বা অথিংবশিং লৌথোকপা অমদি মিট প্রদক্সনশিংগী পব্লিক হেল্থ ইনফোর্মেসন সিষ্টেম শীজিন্নবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখি। চাইনিজ ট্রেদ মিনিষ্টর জোং সান, পিপলস বেঙ্ক ওফ চাইনাগী গভর্নর য়ি গাং, নেসনল দিভলপমেন্ট এন্দ রিফোর্ম কম্মিসনগী ভাইস চেয়রমেন নিং জিঝেহেসু ৱারী শান্নবদুদা শরুক য়াখি। অথুবা মতমগী মনুংদা মীফম মখা চথগনি হায়না থাজনরি।

ফোনদা ৱারী শান্নখিবা অসিগী মতুংদা হ্বাইট হাউসনা থাদোরকখিবা য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী ৱারোল খরনা নিগোসিএসনশিং নীংথিনা চথুরি অমসুং চাইনাদা পুক্নিং থৌগৎনিংঙাই ওইবা অফবা কয়া থোক্লি হায়না ফোঙদোকখি। চাইনাগী মায়কৈদগী দিল অমা য়াম্না থুনা পাম্লে হায়নসু ট্রম্পনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

নিগোসিএসনশিং অসি ট্রম্প অমসুং চাইনাগী মহাক্না লেংমান্নবা সী জিনপিংনা নবেম্বর ১৬ অমসুং ১৭তা চিলিগী সান্তিয়াগোদা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়া-পেসিফিক ইকনমিক কোওপরেসন (এ পি ঈ সী) সম্মিট মনুংদা খুৎয়েক পীনবা য়ারিবা এগ্রীমেন্ট অমগী অরোইবা ফিভম লাকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোক্লিবনি। থা অসিগী অঙনবদা ট্রম্পনা চাইনাগা শোক্নরিবা লান্দা ট্রুস অমা লাকহন্নবগী পর্সিএল এগ্রীমেন্ট অমা লৈহল্লগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

**IN THE COURT OF ASSTT. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, THOUBAL GOVT. OF MANIPUR**

**Ref :- Mutation Case No. 600/AS&SO/TBL, dt: 14-10-2019**

1. Waikhom Rajen Singh, S/o (L) Thambalngou Singh of Thoubal Pakhangkhong Leirak
2. -do- Dorenkumar Singh, S/o (L) Chaoyaima Singh of -do-
3. -do- Biten Singh, S/o (L) Tomba Singh of -do-
4. -do- Biren Singh, S/o (L) -do- of -do-
5. -do- Jiten Singh, S/o (L) -do- of -do-
6. -do- Ongbi Shanti Devi, W/o Jiten Singh of -do-
7. -do- Ongbi Sandhyarani Devi, W/o Biten Singh of -do-

*...Applicants.*

-Vs-

1. (L) Waikhom Thambalngou Singh, S/o (L) Lamphel Singh of Thoubal Achouba
2. (L) Waikhom Chaoyaima Singh, S/o (L) -do- of -do-
3. (L) Waikhom Tomba Singh of -do- of -do- *...Opps.*

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**
Dt. 26-10-2019

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি থৌবাল তহশিল খুল নং ২৮-থৌবাল অচৌবা পাট্টা নং ৩৫১/৫৩৪ (অরিবা), ৭৫৫ (অনৌবা) দাগ নং ৪০৬৩ এরিয়া .২৮৮৬ হেক্তর চাওবা ইংখোল অসিগী মমিংদা পাল্লম্বা পাট্টাদারশিং অসি মৃতু ওইখিবনা মরম ওইরগা মৃতু ওইখিবা পাট্টাদারশিং অসিগী মমিং কক্লগা মথক্কী দংকারিশিং অসিগী মমিংদা নামা ওনবীনবা উক্তা কোট অসিদা অইবা চেরোলনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা কনাগুম্বা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি ঙসিদগী থারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা লাক্লগা য়েৎপীরবা য়াগনি। তুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌজরোই অমসুং হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

*Sd/-* **M. Ningthembi Singh**
Asstt. Survey & Settlement Officer,
Thoubal, Govt. of Manipur

HL-P/5086/27

**COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR**

NOTIFICATION
Imphal, the 26th October, 2019.

No. 2/23/96-HSC: In continuation of this office Notification of even number dated the 28th August, 2019, it is hereby informed to all the Principals of Colleges having +2 courses and Higher Secondary Schools under the Council that the online submission of list of candidates who are willing to appear in the ensuing Higher Secondary Examination, 2020 under the categories of **Casual** and **Improvement (EIE)** has been extended up to the 7th **November, 2019** on the portal of the Council i.e., **https://cohsemmanipur.nic.in**.

The list of uploaded candidates along with Statement of Marks and Admission Card (Xerox copy) of the Higher Secondary Examination last appeared should be submitted to the Council Office on or before the 7th **November, 2019.**

Further, it is informed that the Principal concerned should upload and submit the list of candidates of **Improvement in All Subjects** and **Improvement in One Subject** after getting permission from the Council office up to 7th **November, 2019.**

Sd/- CH. BIREN SINGH
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn.,
Manipur

HL-B/5774/27